থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# চদোং’দা মীকুপ খরা লৈরুঙে



নহান নোংমাইজিং নুমীৎ, জন্যুৱারি তারিখ ১৩- অয়ুক পুং মাপন’মুক তাবা অদুৱাইদা ঐগী মরুপ চন্দ্রকুমার খঙহৌদনা ফুং ফাওগৎলক্তুনা হায়রে... ‘নখুৎ তেকপসু ফরম্লনি, পিকনিক চৎলুসি হায়দুনা হৌবা লাক্লিবনি’।

- কৈদৌঙে চৎপই ৱানো?

- কোন্নই ৱাবু কনানা খঙবা ৱানো? হৌজিক্লি।

- করিনো নঙ’-ঙাঙলিদুবো, পোৎ-চৈ-ঙা-চাক...।

- লোইবা য়াওরে, মার্কেটিং লোইর’-লাক্লিবনি, নশাখক্তুং থাংদোক্লো, ফি হোংঙো...

- কনা কনা চত্তোইনো?

- ইবোতোম্বীগা, নঙগা ঐগা, ভুবোনগা ঐখোয় মরিখক্তনি।

- কদায়দা?

- চদোং’দনি।

চদোং! ঐদি অমুক্তা তাখিদ্রি। মমিং চৎলবা পিকনিক স্পোৎ, গার্দেন-ইচাশিংনা ঙাঙনবা, হৌখিবা চহী মঙা-তরা’দা ঐখোয় ফেমিলি-ফ্রেন্দ-সার্কল খরসিনা কোয়রুবা মফম ময়ামদুগী মনুংদা অমত্তসু য়াওদে। খুৎ শোকপদগী থা অমা-মখায়রোম ফমুংদা কুন্দুনা লৈরুরগা খরা ফগৎলকপগী মপান থোক্লিংলকপগা, অনৌবা পিকনিক চৎফম অদু য়েংনিংবগা- ঈরুজনিংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নে হায়বদুনি। ফি হোংদোক্লগা অদুম চৎলে।

চদোং। ইম্ফালদগী পঙলাপ লাপ্পা মফম নত্তে। য়াইঙংপোকপীদগী (উখ্রুল লম্বীদা) য়েৎলোমদা কিলোমিটর মরী-মঙারোম থৌজিল্লগা অদু লৈরে। য়াইঙংপোকপী য়ৌফাত্রিঙে চঙলবসু য়াই। লম্বী ফবনা অদোমদা অয়াম্বা চঙনৈ। রামদৈ ইকো-টুরিজম-পার্ক হায়না থাদুনা তেনজৈগী মওংদা থাবা সাইন-বোর্দ অদুনা ময়েক শেংনা মায়কৈ তাকপনি। লম্লাইদগী খজিক্তং চৎলগা অদুম লৈরে। মমিং লৈরবা এদমিনিস্ত্রেটর রাম মুইভাগী হৌরকফম খুন’নি হায়। লম্বী ফৈ হায়দুনা ঐখোয়সু অদোমদা থৌজিল্লে। ঐগী মরুপ অহুমদুদি হান্নরা মফমদুদ কয়ারক হান্না চৎলম্লে। চন্দ্রকুমারদি থবক্তগী পোত্থাদ্রিঙে মফমদুদা সব-দিবিজনেল ওফিসর ওইনা মতম খরা মফমদুদা থৌ পুরম্মী হায়। ফুংয়ার সব-দিবিজনগী মফম চনবনি। উখ্রুল দিস্ট্রিক্তনি। মপিথেল দাম শাগৎলকঙৈদগী মৌখৎলকপা ঈশিংনা চীংয়াং অনী-কারক লোক অদু অচৌবা ঈপাক ওনখিবনি। খুন কয়া, য়ুমকোক কয়া দামগী ঈশিংদুনা থুমজিনখিবদগী ক্ষতিপুরোন (কম্পেন্সেসন) পীবা হাক্তক্তা খুঞ্জাশিংগা মহাক্কা হকথেংননা লীরকখিবদু কনাগুম্বা অহৈবা অইবা অমনা ইথোক্লবদি কান্নবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইবতা নত্তনা পাবদা নুংঙাইবা খুৎই অমা ওইগনি। বৃটিশশিংগা ঐখোয়গা খেন্নরিবসি সিদনি। প্রোফেসনেল রাইটরসু নত্তবা বৃটিশ ওফিসর কয়ানা মফমসিদা কোলোনি লিংদুনা লৈবাক ঙাক্লিঙে থেংন- এক্সপরিয়েন্স কয়াদু, মখোয়গী মথৌ মতম লোইদুনা ময়ুমদা হনখ্রবা মতুংদা লাইরিক ওইনা ইথোক্লক্তুনা ঙসিদি ঐখোয়গী রিফরেন্স বুক ওইনরি। ১৮৯১, খঙহৌদনা হৌরকপা মীয়ামগী ঈহৌ অমনা হাত্তোকখিবা বৃটিশ ওফিসর মিষ্টর গ্রিমরুদকী লোয়নবী, মিসেস গ্রিমরুদ’নফাওবা মপুরোইবা হাত্তোকপীখ্র’ মতুংদা অরোনবা লম্বীদা মথ্বায় হিংনবা চেনখিবদুগী ৱারী লীরদুনা ‘ঐনা মণিপুরদা চহী অহুম লৈরিঙে’ (মাই থ্রি ইয়রস ইন মণিপুর) হায়দুনা লাইরিক অমা ইরমখি। মখোয়গুম্বা ইবগী হৈনবী অমদি তেলেন্ট লৈবা ওফিসর খরা য়াওরম্লবদি ঐখোয়গী লৈবাক (মণিপুর) অসিসু মশক অমা ওল্লমগদবা জাৎনি। ঐখোয়গী পুৱারী (ইতিহাস) মথক মখা ওনখ্রিবসি ওল্লম্লোই।

চদোং-ইকো-টুরিজম-পার্ক য়ৌফাৎত্রিঙৈদই উরিবা ঈপাক অদু উবদা নীংশিংহল্লকই- গুৱাহাতিদই শিলং চৎপদা, শিলং য়ৌরমদাইগী বরা-পানি। মনাক নকশিল্লকপদা উরে-ঐখোয়দই হান্না থুংলম্লবা পিকনিক পার্টি ময়ামগী গাড়ী (কার) ময়াম। ঐখোয় মরিনা মুদ শাগৎলগা লাকখিবা ময়ামদগী তোঙান্না, কনা উদা নায়তোম, নুংঙাইবা ৱারী লীনদুনা মতম ঙাইহাক লেনসি হায়বই এটমোসফ্যার অদুমদি ফংলোইদৌরে। নায়তোম তাসি হায়রগা ওইরোমদা চৎখ্রসিরা? ইবোতোম্বীনা হায়রকপদু লোইফাৎত্রিঙে, ‘চৎলো’ চন্দ্রকুমারনা হায়রকখি। ‘থেঙ্ক য়ু, ভিজিৎ এগেন’ হায়বা সাইন বোর্দতু উবদা, য়াইঙংপোকপীদা হল্লেদনা- খল্লুবদুসু হায়দোকখি। করিমত্তা নাচুংদনা থৌখি ইবোতোম্বীদি। ঙাইহাক্কী মতুং ঈপাক্তু উরকপদগীদি কোকখ্রে লাংতক্লবদু। কার অনীখক খাক্লম্বদু উরকই- লৈশাবীমচা অনীখক্লা অচৌবা তোর্বোত অনী অহুম গাড়ী মনুংদা হাপচিল্লি। ঈপাক্তুগী তোর্ব্বান্দা গাড়ী খান্নগা চাক থোংফম থিরিঙে, পাখঙ লৈশাবীশিংগী গাড়ীদু হন্দুনা থৌখরে। মপু লৈতবা য়ুম অমখক লৈরিবদুগী শঙতপ ওইনা লৈরিবা য়ুম অদুদা তোর্বোত চহুম চামরী পৈদুনা লৈরিবা অদুদগী লৌথোক্তুনা পুখ্রিবনি- মতমদুদা খঙলকই। ওন্থোকপা অঙাংশিংনিদকো! ৱাখলসিদা খলহৌই। মপু তাক্তনা করিগুম্বা পোৎ অমা লৌবসি- ‘হুরানবা’ কৌই হায়বসি মমা মপানা তাকপীরক্তবা জাৎলা! লুপা অমা হুবসু লাখ অমা হুবসু ‘হুরানবা’ কৌবা পাপ অদুদি চপ মান্ননা লংশিল্লি হায়বসি ইচাশিংদা তম্বীগদবনি। মপু তাক্তনা লৌবনি হায়বা খঙলম্লবদি ‘তৌনু ইবেন্মা, পুখিনু’ ঐহাক শোয়দনা হায়রমগনি।

য়ুমদুগী মনাক্তা, তোর্ব্বান্দা গাড়ী খাল্লম্লগা, চীংচেপতগী মনুং খরা চঙশিল্লগা চাক থোংফম শেল্লগা য়েনশাং শেল্লিঙে অতোপ্পা পার্টি অমগসু থুংলখি-লৈশাবী, পাখঙ, অঙাং খরগী পিকনিক পার্টি। ঐখোয়খক্তদি তরক তরক ওইদ্রেদনা-পূক্লিংসি খিত্তং চাউখৎলকখি। ঙাইহাক লৈরনা উরকই- আ মমাঙথং কাচিন’দুদসু কার অহুম খাল্লম্মী। মফমদুদা ফজবা, অনৌবা য়ুম অমা লৈরিবদু- থেলদুনা রিং-বন্দ শেল্লগা ঙা-য়োকফম পুখ্রি অমা শেমগৎহৌরিবদু শঙনবা শারিবা ওইরম’নি। চীংদা ঙা য়োকপগী ৱাখল অমা লাক্লিবদুদি থাগৎনিংঙাইনি।

হি মচা খরা থাদরগা ঈপাক্তুদা ঙাইহাক হোন্দুনা শান্নহনবা; ঈপাক্তুগী তোর্ব্বান্দা, ওপন-এয়রদা চাক চরা অমা চামিন্নবগী নুংঙাইবদু ফংহনবা- সিদই হেনবা অতোপ্পা সার্ভিস অমা পীবই ৱাখল পোক্তে- মণিপুরগী ইকো টুরিজম পার্ক শেমগৎলিবা অমদি মেন্টেইন তৌরিবা মীওইশিংদা। টুরিজম হায়বসি ইন্দষ্ট্রিনি- খঙবা মীওই অমত্তনা দিপার্টমেন্ট’সিদা থবক তৌদে হায়বসি থবক্লা উৎচরকপনি, কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা খরবু মরাল শীজন্নবা হায়জিনবা নত্তে।

ঙসি উরিবা মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিং অসিনা মণিপুর লৈঙাক পায়রিবমখৈ টুরিজমখক্কী ৱা নত্তে, মণিপুরদা করিগুম্বা মখলগী অহোংবা অমত্তা লাক্লোই। মখোয়শিংসি নত্তবা, মরৈবাক্কীদমক খনবা পোলিটিসিয়ন মহুৎ শিল্লক্লবা, চীংদসু তম্মীনা খুন্দাবা য়ারক্লবা করিগুম্বা, থাজদবা তৌবীনু, মণিপুরনা স্বিটজরলেন্দ ওল্লকপা অরুবা নত্তে।

লৌশিং পুক্কে

# চাং নাইনা শঙ্গোম থক্লবদি কোলোন কেন্সর নারবা মীওইশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্মী : রিপোর্ট

ষণনা হরাওরিঙৈদা শুম্বা শঙ্গোমদা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবগা লোয়ননা হকচাংদা কান্নবা হেল্লি হায়বা কুপ্পা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱিস্কোন্সিন- মেদিসনগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা খঙলকখি মদুদি ষননা হরাওবা মতমদা কেমিকেল অমা থোরকপা মরম্না কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা শঙ্গোম পুথোরকই।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী লোরা হর্নান্দেজনা লুচিংবা রিছার্চর কাঙবু অমনা মচা পোকপদা ঙায়রিবা জর্সি ষন খরদা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। হকচাংদা কান্নদবা অফবা শঙ্গোম ফংনবগীদমক ষনবু পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈহনবা মথৌ তাই।

কেলসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা শঙ্গোম চাং নাইনা থকপনা মীওইবগী হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। অদুবু ষন অয়াম্বা হাইপোকেলসিমিয়ানা নাবা মরম্না কেলসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা শঙ্গোম থকপা ফংনরক্তে। হাইপোপেলসিমিয়া হায়বসি কেলসিয়মগী চাং ৱাৎপগী থৌওংবুনি। জর্নেল ওফ এন্দোক্রাইনো-লোজিদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা লোরা হর্নান্দেজনা হায়খি, ষননা হরাও-তয়াম্না লৈরবদি সেরোটোনিন কৌবা কেমিকেল কম্পাউন্দ অমগী চাং ৱাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা শঙ্গোম পুথোরকই।

রিছার্চর কাঙবু অসিনা ষন মখল অনীদা মীরোনবদগী হৌরগা মচা পোক্লবা মতুংদা মখা তানা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষনশিংনা হরাওরবদি সেরেটোনিন কৌবা কেমিকেল মখল অমা হকচাং মনুংদা ৱাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়না পুথোরকপা শঙ্গোমদা কেলসিয়ম য়াওবগী চাং ৱাংখৎলকই।

ষনগী অশেংবা শঙ্গোম থকপনা মীওইবদা কান্নবা কয়ামরুম পী। খরদং পল্লবদা শরূ কলহনবা, উনশা ফজহনবা, ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎলক্তুনা লায়না কয়া ঙাকথোকপা, য়া কলহনবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দবা, দিহাইদ্রেসন তৌহন্দবা, নিংশা শ্বর মরী ফহনবা, হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দবা, ওষ্টিওপোরোসিসতগী ঙাকথোকপা অমসুং কেন্সর মখল খরদগী ঙাকথোকপা অসিনচিংবনি।

তশেংবদি শঙ্গোম অসি ষনবীনা ষন্নাউ পীথক্লবগীদমক মশাগী মেম্মরি গ্লান্দদা শুংবনি। ষন্নাউ অমনা মপাঙ্গল মপুং ফাদ্রিবফাওবা মমাগী শঙ্গোম থকপা মথৌ তাই। মীওইবদসু অদুম্মঙায়রে, অঙাং অমনা হেক পোক্লকপগা থা ৬ ফাওবদি মমাগী খোল্লাং মবুক থন্না থকপগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু ষনগী শঙ্গোমদি ষন্নাউ খক্তুদা নত্তনা মীওইবদসু কান্নবা পী। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর (য়ু এস দি এ) না পীবা গাইদলাইন মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক মশা-মউ ফনা লৈনবগীদমক চাং নাইনা শঙ্গোম থক্কদবনি হায়রি।

চাং নাইনা শঙ্গোম থক্লবদি ভিটামিন এ, ভিটামিন বি-১২, ভিটামিন দি, কেলসিয়ম, কার্বোহাইদ্রেট, ফোসফরস, সিলেনিয়ম, মেগনে-সিয়ম, প্রোটিন, জিঙ্ক অমদি রাইব্লোফ্লেবিননচিংবা হকচাংদা কান্নরবা ন্যুট্রিয়েন্টশিং ফংবা ঙম্মী। কেলসিয়মনা কেন্সর, শরূ পাথরকপা, অরথ্রাইটিস, মাইগ্রেন হেদেক, প্রি-মেন্সট্র্যুয়ল সিন্দ্রোম অমদি ওবেসিটিনচিংবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হকচাংদগী কান্নদবা ফেট লৌথোক্তুনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদসু মতেং পাংই। শেল ইচঙ চঙহন্দনা অরায়বা মওংদা কেলসিয়ম ফংনবগী পাম্বৈদি চাং নাইনা শঙ্গোম থকপনি।

কেলসিয়মনা হার্টকী মথৌ নীংথিনা তৌহনবগা লোয়ননা ষ্ট্রোক তৌহন্দ। জপানদা মতম শাংনা চত্থখিবা ষ্টদি অনীগী রিপোর্ট মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা কেলসিয়ম চারবদি ষ্ট্রোক, এথরোসক্লেরোসিস অমসুং কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়রি। কেলসিয়মনা শরূগী মপাঙ্গল কন্না থম্বদা মতেং পাংই। ওষ্টিওপোরোসিসনচিংবা শরূগী লায়না কয়া শঙ্গোম থকপনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। অঙাংশিংবু নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা শঙ্গোম পীথক্লবদি শরূ কলহনবদা নৎতনা য়াগী মপাঙ্গলসু কলহল্লি।



মীওইবগী হকচাং অসি চাদা ৮০ রোমদি ঈশিংগী শরুকনি। ঈশিংনা হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা মথৌ নীংথিনা তৌহনবা ঙম্লিবনি। ঈশিং থক্ত্রবদি দিহাইদ্রেসন তৌদুনা কয়াৎ অয়াম্বা শোকচিল্লকই অমসুং খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। অদুবু ঈশিং ফংদবা মতমদা শঙ্গোম গ্লাস অমা থক্লবদি দিহাইদ্রেসন তৌহন্দে। মালেমদা খ্বাইদগী মশক ফজবী নুপীনি হায়না লৌনরিবা নাইলগী মহারানি ক্লিওপত্রগী মরমদা মীয়াম্না শোয়দনা খঙনরম্লগনি। ক্লিওপত্রনা নুপী খুদিংগী শঙ্গোমনা ঈরুজবগী হৈনবী থম্মী। শঙ্গোমনা উনশা ফজহনবগা লোয়ননা কুচ্চু শেংহল্লি। মরম অদুনা অকে অমৌগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম (কোস্মেটিক) শাবদা শঙ্গোমবু মরুওইবা মচল অমা ওইনা হাপ্লি।

মেদিকেল রিছার্চ অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা শঙ্গোম থক্লবদি হকচাংদা কান্নরবা ভিটামিন অমসুং মিনরেল কয়ামরুম ফংবা ঙম্মী। অমরোমদা সোদা য়াওবা সোফ্ট দ্রিঙ্ক থকপনা হকচাংদা কেলসিয়মগী চাং হন্থহল্লি। হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা মথৌ নীংথিনা তৌহনবদা কেলসিয়ম চঙই। মরম অদুনা সোফ্ট দ্রিঙ্ক থকপগী মহুৎ নুমীৎ খুদিংগী শঙ্গোম থক্কদবনি হায়না দাইটিসিয়নশিংনা রেক্কমেন্দ তৌরি। এসিদিটি অমদি পুক শাওগৎপগী খুদোংচাদবসু শঙ্গোম থক্লগা কোকহনবা ঙম্মী। শঙ্গোম গ্লাস অথনবা অমদা ভিটামিন এ অমসুং ভিটামিন বি মরাং কায়না য়াওবা মরম্না মীৎ ফহনবগা লোয়ননা রেদ ব্লদ সেল (আর বি সী) কাউন্ট হেনগৎহল্লি; কার্বোহাইদ্রেট য়াওবনা হকচাং কনখৎহল্লি; পোটাসিয়ম য়াওবনা নর্ভশিংগী মথৌ ফগৎহল্লি; মেগনেসিয়ম য়াওবনা মশল কলহল্লি, ফোসফরস য়াওবনা পাঙ্গল কলহল্লি অমসুং প্রোটিন য়াওবনা অমাঙ অতা থোক্লবা সেল শেমগৎপদা মতেং পাংই। চাং নাইনা শঙ্গোম থক্লবদি অহল ওইশিল্লক্লবসু নহা অমগুম হকচাং কন্না অদুমক লৈবা ঙম্মী হায়রি।

অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট হায়খি, চাং নাইনা শঙ্গোম থক্লবদি কোলোন কেন্সর নারবা মীওইশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্মী। অদুবু চেকশিনগদবা অমনা শঙ্গোমদা য়াওবা লেক্টোস কৌবা মচল অমনা কনাগুম্বা পুক নুংঙাইতবা, নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা অমসুং খোঙ হামথবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহনবা য়াই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ষনবীনা হরাওরিঙৈদা শুংবা শঙ্গোমদা কান্নবা মচল কয়ামরুম য়াওই হায়বসিমদি ময়েক শেংনা খঙলবা ৱাফমনি। মরম অদুনা শঙ্গোম শুন্নমদাইদা ষনবীবু য়ারিবমখৈ হরাওহনগদবনি হায়রি।

# গোলাঘাটতা দ্রামা উৎলুগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৪(ঐচ এন এস): নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা ন্যু দেল্লি অমসুং গোলাঘাট এমেচর থিএটর সোসাইটিনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১২দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্লিবা পুরবোটর নট সমারোদা ইম্ফাল থিএটর মণিপুরগী *মীনিকিন* উৎলুগনি। গোলাঘাট এমেচর থিএটর সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা ১১শুবা পুরবোটর নট সমারোদা থা অসিগী ১৭তা *মীনিকিন* হায়না মীংথোনবা ইম্ফাল থিএটরগী দ্রামা অসি উৎলুগনি হায়রি। পোষ্ট মোর্দন থিএটর প্রদক্সন ওইনা পুথোক্কদৌরিবা দ্রামা অসি এন এস দি অলমনাই লোইতোংবম পারিঙানবনা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবনি হায়রি।

# চহী অমগী সার্টিফিকেট কোর্স তম্নীংবশিং কৌরি : এম য়ু

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৪(ঐচএন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা চহী অমগী সার্টিফিকেট কোর্স কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা এদমিসন তৌনীংবশিংনা এপ্লিকেসন ফোর্ম মেনশিল্লবা মতুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারনা থোকপা চেরোল অনা হায়, কোরিয়ান, চাইনিজ, জপানিজ অমসুং পি জি এদভান্স দিপ্লোমা কোর্স ইন কোরিয়ান তম্নিংবা কেন্দিদেটশিংনা ফোর্ম থাজিল্লকপা য়াগনি। কেন্দিদেটশিং অদু গ্রেজুয়েট ওইগদবনি। পি জি এদভান্স দিপ্লোমা কোর্স ইন কোরিয়নগীদমক্তদি কোরিয়ন লেঙ্গোইজ কোর্সকী সার্টিফিকেট পায়বা মীওইশিং ওইগদবনি হায়রি। থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা কেশ কাউন্টরদা লুপা ১০০ পীশিল্লগা এপ্লিকেসন ফোর্মশিং লৌবা য়াগনি। এপ্লিকেসন ফোর্ম মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইটতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# ৱিমেন মেদি ক্যেরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৪(ঐচএন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ১০ সেক্টর অসাম রাইফলসকী সোমসাই বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী ফুংচাম ভিলেজদা ৩শুবা ফেজকী ৱিমেন মেদি ক্যেরগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নুপীশিং য়াওনা মীওই ৩০০ লোম লায়েংখি অমসুং হীদাক লাংথকশিং লেম্না পীখি হায়রি।

# শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তসু ৩০শুবা দ্রাইভরস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি১৪(ঐচএন এস): মণিপুর দ্রাইভরস ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৩০শুবা দ্রাইভরস দে সেলেব্রেসন ২০১৯ ঙসি মৈনো লৈরক মনিং চাওখৎ থৌরাং লূপকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ আর কে ইমোনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর দ্রাইভরস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বাবুধোন সাইখুবনা প্রসিদেন্ট, ঙাঙোম হরিদাস প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ত্রান্সপোর্ট কোওপরেটিভ সোইটিজ এসোসিএ-সন, সিঙ্ঘম ঘনশ্যাম প্রসিদেন্ট মৈনো লৈরক মনিং লৈকায় চাওখৎ থৌরাং লূপ অমসুং মোইরাংথেম অঙম্বা এদভাইজর দেসাম্না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা আর কে ইমোনা হায়খি, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি তরাই তরাইনা লৌবসু য়ারোই, খন্নবসু য়ারোই। কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনসু য়াম্না মরুওইবা ইস্যু অমনি। মীয়ামগীদমক্তা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা দ্রাইভরশিং অসি পূম্নমক্না মখোয়বু ইকায়খুম্নফম থোকই। কখোকপনা মাঙ থাদুনা মশাগী খন্দনা মীয়ামগী ওইনা পাঙথোরকপা থৌরমদা লাইবক থীবদা য়াওখিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং য়াওনা মখোয়বু নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকপা অসি চুম্নগী নীংশিংবদা নত্তনা এসোসিএসনগী মায়কৈদগীদা নত্তনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু করি করি পায়খৎপা য়াবা স্কিম নৎত্রগা করি পোলিসি পুথোকপা য়াই হায়দুনা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক অদুনা য়াম্না মরুওইনা লৌখি।

দ্রাইভরশিংনা মথন্তা শোকপদা নত্তনা গাড়ী কয়া মাঙবা য়াওবা ইখং খঙহৌদনা থোকখিবা থৌদোক অদুগুম্বা কোঙ্গায় অমা য়াওরবনিনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু পাঙথোকপা য়াবা করি করি লৈবগে হায়বদু য়েংহন্নীংই। স্কিম, পোলিসি কয়া হৌজিক ফাওবদা লৈতবগুম তৌরিবা অসি লাইবক থীবনি। মসিনা য়াম্না মরুওইবা ইস্যু অমনি হায়না লৌই।

মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংক্তা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক পাঙথোক্লিবা অসি দ্রাইভরশিংননি। লেবরস এক্টতা য়াওফম থোকপ্রা হায়না খনবনি। য়াওদ্রগসু লেবর এক্ট অসি এমেন্দ তৌবা ফাওবা য়াই। এসেমব্লিদা পুথোক্লগা লেবর এক্ট অসিগী মখাদা চন্দ্রে হায়না লৌরগসু তোঙানবা এক্ট অমা পুথোক্লগা পাস তৌমিন্নরগা থম্ফম থোকই। মহাক্কী মায়কৈদগীসু হাওসতা পুথোক্কে। ফেব্রুৱারী থাদা ফমগদৌরিবা বজেট সেসন অসিদা এক্ট নৎত্রগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু থমজগে। এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু মসিগী প্রপোজেল ওইবা য়াবা করি তৌরগা ফগদগে হায়বা অদু তুমিন্না খন্নবগী তাঞ্জা পীবিরবদি শোয়দনা গভর্ণমেন্টতা পুখৎপদা পোইন্ট বাই পোইন্ট মীয়ামগী অফবা অমসুং ফত্তবশিং অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬কী মতাং অসি তরাইনা লৌবসু য়ারোই। অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা মীয়াম্না হকচিন্না লৌই। বিল অসি রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা এক্ট ওনদ্রিঙে অসিদা সেন্তরনা কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিলহন্নীংই। বিল অসি মীয়াম্না য়াবা মওংদা হন্না য়েংশিনবা চঙই। মসিনা এক্ট ওনখ্রবদি অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা মীওইশিংদা অকিবা লাক্কনি হায়খি।

থৌরম অদুদা দেসামগী এদভাইজর মোইরাংথেম অঙম্বনা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী মথৌ পাঙথোকপদা লম্বীদা অকি অখং তাইনদনা লালহৌবগী চৈথেং কিদনা অৱা, অনা থিদনা কৎথোকপগা লোয়ননা মণিপুর খুন্নাইগীদমক্তা শিরবসু য়ারে, ইরমদমগীদমক্তা করিগুম্বা খরা তৌরমগনি হায়না কৎথোকপগী থৌনা অদুনা দ্রাইভর হায়রিবা শিনফম অসি চংলকখিবনি হায়না খল্লি।

খুন্নাই অসিদা দ্রাইভর অসি য়াম্না হন্থবা থাক্তা খল্লি। দ্রাইভরনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঐখোয় কদাই ফাওবা শক খঙলবগে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কদাই ফাওবা শক খঙলে। দ্রাইভরশিংগী ৱেলফেয়র স্কিম পায়খৎতুনা দ্রাইভরশিংগী ফনবা তৌবা তাই হায়খি।


লোকসভাদা সী এ বি বিল ২০১৬ পাস তৌখিবা অসি মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামশিং অসি পুল্লপ মুৎখিবা য়াবগী হিন্দুনাইজেসনগী চত্থরকপা অচৌবা লাল্লোং অমগা লোয়ননা ঙসিদি য়লহৌমীশিং মুৎখিবা য়াবগী অচৌবা নুংগী ৱারোল য়াওবা বিল অমনি হায়না লৌই হায়না ফোঙদোকেখি।

থৌরম অদুগী অহৌবদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নরবা মতুংদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখি। অহল ওইরবা দ্রাইভরশিংদসু খুদোল তমখি হায়রি।






## WIDE PUBLICITY



The above said unidentified dead body bearing No. UD-31-I was recovered from scene of crime i.e. Andro Sanapat Village, P.S. - Yairipok, District - Thoubal, Manipur in the night of 31.10.2009/01.11.2009. The above said person was killed in an alleged encounter took place between said to be Under Grounds and personnel of 28 Assam Rifles, Manipur in the night from 2330 hrs. on 31.10.2009 to 01.30 hrs. on 01.11.2009. In this regards a case FIR No. 130 (11)/2009 was registered at Yairipok Police Station, District - Thoubal, Manipur on 1.11.2009. In the said alleged encounter total 07 persons were killed and out of 07 persons 06 persons have been identified but the above said person whose photograph has been published above have not yet been identified by any person.

Any person who is aware with the whereabouts of the unidentified person whose photograph has been published above may contact on the following numbers for its identification.

1. Superintendent of Police, Central Bureau of Investigation, Special Task Force, 5th Floor, CBI Headquarters, 5-B, Lodhi Road, New Delhi, Phone Number : 011-24368659.
2. Superintendent of Police, Central Bureau of Investigation, Anti- Corruption Branch, Imphal, Manipur.
   Phone Number : 0385-2414145, 0385-2414673
   It refers to case No. RC/DST/2018(s)0006/STF/New Delhi.

Sd/- **Insp. AK. Premjit Singh**
**Officer In-charge**
**Yairipok Police Station**

**HL/P/3113/13-19 Jan.**